## এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/ মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

### রেষ্টোরেন্টদা চঙবা মতমদা নুপীদু নুপানা ফারগা পুশিনবা ওইরম্লোই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**নিংথিজরবা** মণিপুর নুপীগী মায়থোংদা খুন্নাইগী পনবু নমখায়দুনা চৎলকপা নুপীশিংনা অমুবা কালি তৈশিন্নবা হোৎনরক্লি। মীগী মরমদা চত্তুনা মহৈ-মশিন তম্লিবী নুপী খরনা ৱারকপীনবা য়াওদবদগী মনিং পংতৌ তৌদুনা খুন্নাই অসিগী অথিংবগী মায়োক্তা চৎনরকপা য়াওদবা নত্তে। নুপী খরনা মশাগী ঈজৎপু ইকায় খুম্নবা থাদোক্তুনা নাতৈ চাদবা ফিজোল শেৎতুনা নুপা কয়াগী ৱাখলদা মথুম মরাং হৌহল্লি। মখোয়সিবু চাওখৎপগী মতৌ তম্লিবনি হায়দুনা অদুমক মমা-মপা ওইবশিংনা য়েংশিন্নদে। ইমুং অমগী মচা নিংঙোল লৈশাবীনা মনিং তম্না কোই লাংদুনা মওং মরিন তাদবা ফিজেৎ লৈতেং শেৎ চাদুনা থোকখ্রগা রেষ্টোরেন্টদা ঈজৎ থাংদোক্করি পাখঙশিংনা শেল থাংদোক্করি। রেষ্টোরেন্টদা চঙবা মতমদা নুপীদু নুপানা ফারগা পুশিনবা নত্তে, মশা মশা য়ানরগা চঙমিন্নরকপনি, নুপাদুনা ঈজৎ লৌরমদাইদা নৎত্রগা নুপীদুনা ঈজৎ কথোক্লমদাইদা করিমত্তা খন্থবা ঙম্নদে।

মতম অসিদা তুংগী অশেংবা মমা অমা ওইনবা খলহৌবা হায়বসি অরাইবা ওইরোইদৌরি। হৌজিক্কালগী নুপীশিংনা চেকশিন্দনা শেৎনরিবা ফিজোলশিং অসিনা মপুকচেল ৱারকপা ঙমদবা নুপা কয়াগী থম্মোয়দা তোইনা ঈরাং হৌহল্লি। মৈতৈ নুপী মৌশিংনা শেৎলিবা সারিগী মওং মতৌদা পেন্নদ্রবা নহারোল খরনা মবুক্তা মোবিল মথি তৈশিনবীখি হায়বগী ৱা লৈনখ্রবনি। সারি শেৎপী নুপী অমত্তনা তোঙান্না ফি ইন্নদে, শেৎলিবা সারি অদুগী মতোন খরনা থুংবোই থুংদবোই ফুরিৎতা কুপ্লগা নঙ্গল্লোমদা নুপানা শান য়ানবদৌনা হেক্তা থাদখিবদনি। মদুনদি ইকায়খুম্নফম ওইরিবা নুপীগী হকচাংবু মচেৎ খরদং কুপ্লগা মীমাংদা ফোংনা চৎলে হায়বসি মশানা তাকচরে।

শেৎলিবা সারিদুগী মতুং ইন্না লিৎলিবা মৌশিংগী ফুরিত্তা পান্থোমগী শরুক য়াওহন্দনা থবাক অমদি নঙ্গলগী শরুক্তা খরা হেঞ্জিলনা কোথোক্তুনা তুহনবা ফুরিৎ লোয়ননা ময়ূম পাল্লবা মতুংদা মৌশিংনা মশম তেন্না ককথৎপা মশাগী পিশুম ফোইদত্তুনা অনৌবা পিশুম য়েকশিনবা। মচা পোক্তুনা মমা অশেংবা ওইরবা ফাওবদা মৌনা মীয়াম মমাঙদগী হেন্দোক্তুনা য়ূমগী মতৈ মকুগী মমাঙদা ফাওবা ইচেক চেকশিন্দবশিং য়াওদবা নত্তে। মৈতৈ লৈশাবী খরনা অমুক ৱেষ্টর্নগী মতৌ তম্লিবনি হায়দুনা নুপাগী ফুরিৎ খোঙ্গ্রাও শেৎনরকপা লোয়ননা খোঙ্গ্রাওদুসু মোজাগী অচোনবী তপ নপ্পী মদু হেক শেৎপদা লৈশাবীদুগী শ্বাং-পুক, নিংদু-ফৈগন, খুবোমশিংগী ফিগর ময়েক শেংনা হেক্তা চোংথোক্লা উহনবা ঙম্বা মোজাগী অমদি জিনগী খোঙ্গ্রাওশিং শেৎনরকপা, লৈশাবী খরনা খুবোম ফৈগনগী শরুক লোইনা হাংদোক্লগা মথক্কী শরুক খরদমক কুপ্পা হাপেন মককপু মফি শেৎলিবনি হায়দুনা শেৎলগা থোক্লরকপা। ফুরিৎসু তপ নপ্পী লিৎনরকপা। লৈশাবী খরা অমনা নুপাগী মোজাফুরিৎ নিমাইবু ফুরিৎ ওইনা লিৎনরকপা, ফনেক মনুংদা ফিগা ওইনা শেৎনরিবা মনুংফিবু ফনেক য়াওদনা মনুংফি ঙাক্তা মেদিনি হায়দুনা শেৎনরকপা। লৈশাবী মহৈরোয়শিংনা স্কুলগী য়ুনিফোর্মনি হায়দুনা ফনেক কৌনা শেৎনরকপা, খুউ মখাদা চোন্থনা শেৎকদবা স্কর্টসু খুউগী মথক্তা থেকৎলগা শেৎনরকপা, লৈশাবী দবল খরনা ফি ইন্দনা মীমাংদা ফোংনা চৎনরকপা অমদি লৈশাবী খরা অমনা খোঙ্গ্রাও শেৎলগা খোঙ অনীমক ফাক্তোক্তুনা গাড়ী মচা তোংমিন্নবদা থৌরিবা পাখংদুদা পোহনবা মানবা মওংদা তোংমিন্নবা কয়া অমা য়াওরক্লে।

মসিগুম্বা কয়া অসিদগী ইকায় খুম্নফম ওইরিবা নুপীগী হকচাংগী শরুক কয়াবু মীমাংদা উৎল-উৎলগা চৎনরকপদগী মপুকচেল ৱারকপা ঙমদবা নুপা কয়ানা শাগী পুকচেল ওল্লক্তুনা শরাক তম্নীংফম ওইরক্লি। লোয়ননা হৌজিক পায়নরিবা মোবাইল ফোন অসি পীক্লিবা নুপামচা খরনা মমা-মপাদা নিঙাই তৌদুনা লৈহল্লগা লৈশাবী মচাশিংদা ঙৈহাক লৈতনা তৌশিল্লি ৱাথি ৱারেম ঙাঙশিল্লি, ফোংনা হায়বা ঙম্নদবা অচোপ্পা ৱা কয়া মেসেজ থানৈ। মসিনা ইকায়বা খঙনরক্তবদগী উনবদা কা হেনবা লমচৎ কয়া চৎনরকই। চহী শুদ্রিবা অঙাংশিং খরদা গাড়ীগী লাইসেন্স পায়হনবগুম্না মোবাইলসু পায়হনবদগী মমান্নবা মখোয় অনী তিন্ন-অহুম তিন্ন পুনশিন্নদুনা মীনা পাক চঙলক্লরোইদবা জগাশিংদা ফম্মিন্নদুনা মোবাইলদগী ফিল্ম য়েংনরি। মসি অঙাংশিংখক্তা নত্তে ময়ূম মকৈ পাল্লবা নুপা অমদি অহলশিং খরসু মোবাইল ফোন্দা তোইনা য়েংনরি। মসিদগী ওইরক্লিবা ফলদি অউবা নুপী খুদিংমকপু মচননি, মমানি কাওথোকহন্দুনা শেরান্নবা ৱাখলদা লুপখিদুনা শাগী লিচৎ ওল্লকপা য়াবগী মচাক কয়া ওইহল্লি, চহী শুদ্রিবা নুপামচা নুপীমচাশিংনা থুনা ময়ূম পান্নিংবগী ৱাখল লাকহল্লি। মসি পূম্নমক অসিবু মণিপুরদা লৈরিবা নুপা-নুপী কয়াগী ওর্গেনাইজেশন কয়ানা অমদি ওথোরিটিশিংনা থিংবীবগী মহুত্তা অদুম য়েংল-য়েংলগা লৈনরি।

*অদোমগী - সিনাম ইবোচৌবা সিংহ*
*হৈরাঙ্গোইথোং মনিং চিংথাম লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭


১। জাৎ ওনবা কনানা ইবা উপন্যাসনো?

২। মণিপুরগী অহানবা খোরিরোলগী লূপতুগী মমিং করিনো?

৩। লায়ররবী ইরোলনি খঙদবনা হায়বনি, কনানা হায়রম্বনো?

৪। চেক্লা পাইখ্রবদা করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# পাউদমজবা

**এস ভানুমতি**

**কুমজা** ১৯৮৯ দনি। চাউরাক্লা ঙসিদগী চহী ২৭ কী মমাঙ অদুৱায়দনি। লৈবাক ঙাকপশিংগী শক্তি অমদি নীংতম্বা তাল্লিবা কাঙলুপশিংগী শক্তি-শক্তি অনীগী মরক্তা নুপী অঙাং মীয়াম্না ৱারকখিবগী মতাংদনি। চহীসিমক্তদা, ইজরিবা ইশামক্কী য়াম্না শাংবা কবিতা 'অসিতনি উপাই' হায়না মিংথোনবা অমা এ আই আরগী নুপীগী থৌরমদা পাথোকচখি। মতমদুগী মৈশা মৈৱায়খিবনা ইশাগী শৈরেংদু খরসু থম্মোয় শোক্লা ইখ্রমালে। মথংগী নোং হেক ঙানবগী নুমিৎতা অয়ূক অঙনবদা চহী ৮০ গী মথক ওইবা অহল অমা ঐখোয়গী গেটতা চঙলকখি। ছাটিন অমসু পায় নোং চুবনিনা, খূৎ নাম্মনা অচৌবা খাউ অমা য়াল্লগা ঐগী শুমাঙদা লেপ্লখি। অদুদা ঐনা হংখি 'খুড়া! কনা উনবিগদবা?' অহলদুনা অমুক হংলকখি - 'ইবেম্মা ভানুমতি হায়বসিবু' মরক থৎতুনা হায়জখি, 'এ খুড়া ঐ ইশামক্লি লেঙশিনবীয়ু' হায়দুনা ঐগী লাইরিক ইফম কাদা পুশিন্দুনা ফমহঞ্জে। অহলদুনা মাগী খাউদুদগী ব্রেদ অচৌবা অমা, শঙ্গোম কৌতা, গ্লুকোজ, চিনি মথং মথং লৌথোরকই, ফি-রোনসু নোংনা খরা চোৎলে। ইঙক ঙকপোই করিবোই 'খুড়া! করিগীনো অসুক য়াম্বসিবো?' অহলনা খুম্লকই - 'এ ইবেম্মা! কৈসু নত্তেদা, ইবেমনা লাইরিক ইবদা চান-থক্লবা খরদং পুজরকপনিদা।' মদুনা অমুক হেন্না ঐবু ঙকহনখি, লাঙতক্লবা পোকহনখি, করিগীনো খনখি। মানা য়াম্না ঈংনা হায়রকখি - "ইচানা ঙরাং রেদিওদা থীরকখিবা শৈরেংদো ইপা পেল্লি, মিৎতগী পি তাই, অসুম্না নহা মরক্তা কল্লবা অর্থ চেনবা ৱাহৈশিংদু ফোংদোকপদু হৌজিক্কী মতমগী চেল্লিবা ঈচৈলসিগদি চপ হেক চানখিদুনা পেনমনখিবদগী ইচাবু থাগৎপা লাক্লিবনি।" অসুম্না ঙাঙলকপদুদা মহাক্কী শকফমদু ওন্থোক্লা সেরিয়স ওইনা উই। ঐখোয়গী ওইরিবা লৈবাক্কী কাং-খোং চাইবা মতৌ, লৈবাক ঙাকলোনগী পেন্দবা মীয়ামগী লক্তা ওইরিবা পূকচেল শেংনদবগী মতৌ, মশাগীতা হেক খনবদা অতোপ্পগী অমাঙবা উদ্রবা মওং, মমা-মপা ওইবনা মচাশিংবু চেকশিন্না মনাক্তা য়োক্লিংদবা, নৌরিবা মচাবু মপানলোমদতা থাদোক্লবা হোৎনবা, অঙাং শেন্বীরিবা ওজাশিংগী মতাঙদসু থওইদবা মতৌ, স্কুলদা থেঙথনা লাকপা ছুটিদি ঙন্না চৎনবা হোৎনবগী হৈনবী... লোইনাইদ্রবা ৱারী কয়া থৱায় য়াওনা ঙাঙবা লেপ্পে। ঙাঙথোরকপা, চৈথোরকপা পূম্বদু অর্থ লৈতবা, কান্নদবা অমত্ত হেক য়াওখিদে, ঐ পুমঙক ঙকখি। মহাক্কী থম্মোয় শোক্লা ঙাঙলিবা ৱাহৈদুনা ইশামত্তা য়াম্না অঙকপা অমা ওইনা থোকখি। মহাক্কী ৱারীদগী ঐনা খরদং খঙজহৌবসি মহাক অসি মতম অমগী য়াম্না ৱারক চেৎপা অফবা ওজা মকোক অমনি হায়বসিনি। চহী ২৭ কী মমাঙদুদি ঐ ইশামকসু 'ঊষা ভবন স্কুল' গী সেকেন্দ মিষ্ট্রেস ওইনা পুজরি। অপঙবগী মতৌ হায়বদুনি মতমদুদা অহলদুগী মিং য়ূম্নাক্ল চিংবা অমত্তসু হংজহৌদে। লৈফমদি খঙহৌই, মৈনো লৈরক্তগীনি হায়না। ফনা কুইনা ঙাঙলম্লগা মমৈথংদা থাগৎপীরম্লগা চৎখি।

অসুম্না শাংলবা চহী কোঙ্গায় হৌখ্রে, অহোংবা কয়া লৈখ্রে। ইথা থাজদনা কুমজা ২০১১ গী এপ্রিল থাদা দেল্লিদগী টেলিফোন অমা লাকই। হায়রকই, "ওজা ঐগী খোনসি খঙবীবরা ঐ ওজাগী মহৈরোয়, মৈনো লৈরক্তগী সনাতোম্বনে। ঐ দেল্লিদা থবক তৌদুনা লৈরে। ওজাবু ঐখোয় বাবাগা খঙনবিব্রা? সনাতোম্বা ময়ায় ওইনা ফবা মহৈরোয়নি, খঙদবা মফমদা য়াম্না মুন্না মুন্না হঙ্গনবা মহৈরোয়নি। মাবু নীংশিংলকখি অদুগা খুমখি- "খঙঙি খঙঙি সনাতোম্বা ওজা নীংশিংলে অদুবু ঐদি ববাদি মশক খঙদেদো।" ঐগী পাউখুম তাবদা হায়রকখি- "ওজা! ববানা ওজাগী মিংদা শাংলবা চিঠি অমা ইরম্মী, কবিতাসু অমা য়াওই, খঙদে ওজা ফনা য়াম্মী ফাইল অমদা থনম্মী। অদো লাইবক থীবদি ববাদো চহীসিগী মমাঙদা লৈখিদ্রে। ঐনা য়ূমদা পুরা লৈবা নৎত্রবনিনা শিন্নফম লৈত্রদুনা থনম্মমালে দেল্লি চৎত্রিঙৈদা পীরমগদবদো ওজা হো হো তৌবদা কাউরে। ঐ য়াম্না থুনা থোরক্কনি ওজা, ফাইলদু পুরগা শোয়দনা শীন্নজরখিনি।" খঙহৌদনা পূক্লিংদা তুজুংবা ফাওই মতমদো, হায়ফমদি খঙদে। নীংঙমদবা অমসু ঙসি ফাওবদা অদুম লৈহৌরি। খুড়াদু ইচম চম্বা মীশক অমদি নত্তে। সনাতোম্বদা অহল অমা লাক্লগা ৱারী শারম্বনচিংবা খরদি লীনরে - খুড়ানা মৈনো লৈরক্তগী হায়বনিনা ৱারীদি ফজনা চাশিন্নরে। অদুবু হৌজিক্তি খুড়াদা ঐনা হংনীংবা ৱাহং কয়াবু হংদুনা মতম শাংনা মহাক্কী মফমদগী কান্নবা ৱারী কয়া তাবা ফংজবগী তাঞ্জাসু লোইখরে।

মতমনা লেপ্তবনা জুন থাগী তাং ২৪ গী নুমিদাংৱাইদা সনাতোম্বা লাক্তুনা অইবা চে চবুল (Manuscript) অমা য়াওবা ফাইল অমা পীররে। মহৌশানা সনাতোম্বা মাবু পোকপা ববাগুম্না ঙাঙবা য়াম্না হৈবা মরীক চূম্বা মীশক্লি। মপা মচানি হায়বদা য়াম্না পকচৈ। হৌজিক্কী মতমদা মমা-মপাগা মচাশিংগগী মরক্তা ইথাপ থাপ্নবগুম্বা অমা লৈবসি করিগীনো হায়না নৈননীংবগী মতৌ উই। মখোয়দা 'ঈশ্বর অমা লৈ' হায়বসি খঙহন্নিংঙি হায়না ৱাখল্লোন কয়া থিনবা হোৎনৈ। মমৈদা দেল্লি য়ৌখ্রবা মতমদা 'ববাগী অইবশিংদু পাবিরব্রা হায়রকই'। থবক্লা হেক কাউথোক্লুবদু মতাংদু য়ৌবদদি কাউবা য়ারক্তবনা অহিং চুপ্পা অমা মতম থাদদুনা পারুই। খুড়ানা ইবিরম্বা চিঠিসি লৈবাক ঙাকলোনগী মরীদনি, পেন্না পেন্না ইবিরম্মী। খরদং খনগৎচরগা পাবিরিবা মীয়ামগা পূন্না তামিন্নসি। ময়ামগী ইন্টরেষ্টনি থমজরিবা-

'ইচা ইবেম্মা ভানুমতি! নহাক্কী শৈরেং তাবদা ইপা ঙমখৈ লৈতনা পেল্লি। জগৎসিদা মীরোল লোনবা অইবী লৈরম্লি খনবদা ওন্থোক্লা নুংঙাই। ইপাগী ৱাখলদদি জগৎসি মীনম্বনা কুপশিল্লক্তুনা মাঙগদৌরবগুম্না খন দুনা ওন্থোক্লা নুংঙাইত্রে। ইশাগীদমক্তি চহী য়াম্মবনিনা লোইগদবা কুইশিল্লক্ত্রে খনবদা থোইনা ৱাদ্রে। অদুবু লৈহৌগদৌরিবা লৈবাক অসিগী ইচা-ইশুশিংগী খনবদা অৱাবনা ফুম্বংনদবদি মঙমদ্রে। অচুম্বমক, নীংতম্বদি অকল অথৌ তৌবা ঙম্বা খরতগী ওইখ্রে। শক্তি মুন্নবগী অরানবা লালওংতনা ঐখোয় পূম্বা উৎ ওন্দুনা মাঙমিন্নগদৌরি। মীনম্বা, ওইদবা প্রচারখক্তং তৌনদুনা মীয়াম্বু কঙাওনহল্লে। চুমদবা, মীনম্বতনা, অচুম্ববু মরাল শিবনা, চৎনবী ওইখ্রে। মমা নীঙদনা নীঙবা শাশিন্নবা কাঙবুনা মমাবু মতূপ মতূপ কত্তুনা য়েন্নবা শেম শাখ্রে। তোঙান তাবতনা চাওখৎপগী অয়ৌবী থাক্লুম খন্নরক্লি। 'মীনম্বা মীওইবগী অধিকারনা' 'অচুম্বা মীওইবগী অধিকারবু' নমথনবতা হোৎনরক্লি। মীহাৎ-মীপুন, হুরান চিন্থি তৌবশিংগী অধিকারনা মীচম প্রজা শুজ-চৎচরগা ৱানা হিংজরিবশিংগী অধিকারবু নক্কৎলক্লি। মীওইবগী অধিকার ঙাকপা শাশিন্নরিবা কাঙবুনা খূৎলাই পায়বা, মীহাৎ-মীপুন তৌবা, মীবু ময়ূমদগী ফারগা পুরক্লগা মখোঙ-মখূৎ, মমিৎ-মমায় পুনশিল্লগা তমথীনা, জ্ঞান তানা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলিবশিং, ভোট লেপচবা থৌবাললোমগী মহৈরোয় অমা ময়ূমদগী নমথাক তৌদুনা পুথোরক্লগা কাপ্তুনা হাৎলম্বা, লম্বোই খুললোমদা মমা-মচা, মচন-নুপী অহুম পূন্না ফাদুনা পুথোক্লগা কাপ্তুনা হাৎলম্বা, গান্ধী এভেন্যু, আলুগলি, মসজিদ রোদনচিংবদা বজারগী মীয়াম মরক্তা বোম পোকখায়হন্দুনা লালহৌবশিংনা মরাল লৈজদবা মীচম কয়া হাৎপা অমসুং কয়া অমনা অশোক অপন নংহনববুদি কোহরগী মীওই অমত্তনসু মেক লাউদ্রগা সেক্যুরিটিনা লালহৌবা অমদি মীহাৎপা কয়া ফানবা হোৎনবদদি কোহর, মৈরা পায়বী অমসুং এমসুনা হেক্তা অপনবা পীনবা হোৎনরি। মীনম্বা, শেমজিন-শাজিনবা মরাল কয়া পীশিন্দুনা শান্তি অমদি আইন ঙাক্লিবশিংবু বদনাম পীনবা হোৎনরি। অরানবনা অচুম্বা শারগা অচুম্ববু লালহন্নবতা হোৎনরি। ঐখোয় মীয়াম্বু অরানবদা থাজহন্নবা কন্না হাৎনরি। শক্তিতা পায়নীংবা রাজনিতিৱালাশিংগা, তোখাই তানীংবশিং, হুরান চীন্থিবা, মীহাৎপশিং পূম্নমক পুনশিন্দুনা লৈবাক কাং-খোং চাইহন্নবতা হোৎনরি। মসি পূম্বসে শক্তি মুন্নরকপদা নম্ফুগী পান্থে শীজিন্নরকপদগী তারকপা ফলনি। মসিগী লানসিনি ঐখোয়বু মীখা অমুক হন্না পোলহনগদৌরিবসি, মালেম পূম্বা তুম্না মাঙহনগদৌরিবসি। ঐখোয় পূন্না হোৎনদুনা মসি পূম্বা থিংহৌদ্রবদি ঐখোয় শোয়দনা পুল্লপ মাঙমিন্নরনি। হে ঈশ্বর! করম্না নহাক্লা মৈতৈ হায়বা ফুরুপসিবু অসুক তমথীনা মীনম শোরিদা হৈনহন্দুনা চীনগা খূৎকা মান্নদ্রবা, মীনম-শোরি লৌনম তাৎ অসুক হৈনবা ফুরুপ অমা ওইনা শেন্বীরম্লিবনো কো! শেঞ্জা-থুমজা তৌবদা মৈতৈবু হেনবিনীংঙাই লৈরমগদ্রা? য়ারোই হায়র'মক্তদা 'তৌবিদবা য়াদে' 'য়ানবা তৌবিদবা য়াদে' অদুম হায়গনি। নুপী থাজিন্দুনা ৱানোমহনবা, য়াদ য়াদ্রগা মীহুখোঙদা পৈশা লংশিল্লম্লগা চেনখিবা, চাকশঙদা চঙদুনা নুপীদা পীশিল্লম্বা, য়াদ-য়াদ্রগনা লমহেন-তুহেন নেক্তুনা ধপ তৌহনবা, কিহনবা, মসি ঙম্বশিংদুতনা মতিক চাবা ফিট্রেষ্ট হায়বদু ওইখিদুনা মায় পাকখিবা। অসুম্না নমদুনা পীশিল্লম্বশিংদুনা অমুক কোন্সেং শাদুনা ওনখল্লক্তুনা করপসনগী মরাল শীরকপা, পূম্নমক অসি মৈতৈতনা হৌদোকখিবনি হায়বা য়াই। দুকানমক্তা ফম্লবসু ওল্ড ষ্টোক্কী পোৎ ঙাক য়োনবা, মমলসু ময়াং দুকান্দারশিংনা য়োনবদগী খরদি শোয়দনা হেন্না য়োনবা। ওফিসতা লৈরম্বদসু মী চঙবা কিনরে। ফাইলনচিংবা চে-চাং লোৎশিনবসু মৈতৈদগী তমজনীংঙাইনি। ৱা অমতংকা হংলুবদা তাশিন্নদবা হৈবা মৈতৈনা মহেল্লে। হংদ-হংজিল্লুরগসু মমিৎ খানা য়েংখৎলক্লগা মঙক হাইফেত্তং ইল্লকপা, নৎত্রগনা মঙক হাইরকপা মৈতৈশিংগী হৈনবী শাজৎ ওইনখ্রে। থবক চাং নাইদবদা থেঙনা কাবা, ঙন্না কূম্বদা মৈতৈতগী ওজানি। অদুবু অসিগুম্বা ফৎত্রবা হৈনবীশিংবু কনানা শক্তি লৈনা শৌগৎলিবগে হায়বদো ঐখোয়সু খঙজিনবা তঙায় ফদবনি। শক্তি মুন্নবগী লাংদা লৈবাক মথক-মখা ওন্নবা শরৌ শীন্নরিবা, শক্তি পায়নবা হোৎনবদা লৈবাক্কী অৱা-অনা অমাঙ-অতা য়েংখিদ্রবা লীদর খরনা কাঙলুপকী মিংদা কাঙলুপ মশেলগী ফত্তবা পূম্বদু খুমজিন্দুনা থম্বতা নত্তনা শৌগৎপা ফাওবা য়াওবা বিরোধি কাঙবু চাউনা খূৎলিংদুনা লৈরিবনি। লৈঙাক্তবু মরাল শীনবা হোৎনবনা মখোয়গী পাঙ্গলনি। মৈ পায়বা লোইশঙদা মৈ মমহল্লু হেক ইনশিল্লিবা, ঈশিংগী লোইশঙদসু ঈশিং থারক্কনু হেক ইনশিনবা, তাইনবনা লৈঙাক্তা। লালহৌবা শেংদবশিংবু মরৈকাই মরী মতাগীদা লোৎতুনা থম্লগা শান্তি থুগায়হনবা, মখোয় মশেলসু ময়ূমদগী ফাদুনা পুথোরক্লগা মখোঙ-মখূৎ, মমায়-মমিৎ পুনশিল্লগা কাপ কাপ্তুনা হাৎতোক্লহনবা। য়ূমথোঙ খুদিং লুপা লাক্ষ লাক্ষ খায়হল্লি অদুগা বিরোধিগী রেল্লি চৎপদা বস য়াঙ্খে-হুম্ফু পুথোক্তুনা লায়না শীজিন্নে। নোংমৈ পায়বনা, মীহাৎপা ঙম্বনা খোন্বা রেল্লিনিনা মী য়াম্মী, জ্ঞান তানা য়ানীংনা থোরকপদি চাদা ১/২ গুম্বতনি। বন্দবু কৌরবসু মী হাৎপা ঙম্বশিংনা কৌবনিনা মী অয়াম্বা কিনদুনা মপান থোক্লরক্তে। বন্দ মপুং ফারবনি হয়না লান্না হেক্তা লৌনৈ। রেল্লি চৎপা থোরকপসু কিবদগী থোরকপনি, করিসু নত্তে হায়বসি অচুম্বনি।

অদুগা অমুকসু, লৈবাক্কীনি হায়দুনা করিগুম্বদা পান্থোম অমুক্তসু তিংখিদ্রবা, মশাগী খুদোংচাবা পাম্বদগী মীতোপ্তা চীরোল তৌবা, মীগী নিপা লৈবা নুপীদু লৌবীরগা নুপা অদুবুনা নূংতনা থারগা হাত্তোকপা, মশাগা লোয়নদুনা লৈজবা মীনায় অমনা মাগী উহৈ অমখক চারুবগী ঈহিং-নাইহিং তানা তমথীনা ফুবিখিবা, অসিগুম্বা অতোল অতাদা থৌনা ফবা মীশক অমবু সহীদ করম্না ওন্থোকখিবা? মসি, পাওনা ব্রজবাসিগুম্বা অশেংবা সহীদশিংবু ইকায়বা পীবা নত্তনা অতৈ করিসু নত্তে হায়বা ঐখোয় খঙফম থোকপা নৎত্রা? ঐখোয় অশেম্বা মিংচৎ পামদে। মীনম্বা, অরানবা, অশেম্বা মিংচৎ লৌনবা হোৎনবা হায়বসি অখঙবশিংগী মমাঙদদি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। অদুবু ঐখোয়গী মণিপুরদদি কয়াদা য়াম্না হৈশিংনা লৌনম চাউখ্রবা! শক্তিতবু মিহৌবা, পুকচেল পীকখ্রবা রাজনিতিৱালা খরনা লৌতুনদুনা অঙকপনা থল্লবা অরানবা ৱাফমতমক শন্দোক্তুনা মীয়াম্বু লান্না লান্না থাজহন্নবা হোৎনদুনতা লাক্লি। ঐখোয়গী সমাজ অসিবু কঙাওহন্নবতা হোৎনদুনা লাক্লিবনি। মরাল লৈবনি খঙদে, লৈতবনি খঙদে, মীবু মতু-মচা, মমা-মপাগী মমাঙমক্তদা নুংশি হৈতনা কোল্ড ব্লদতা কাপ্তুনা হাত্তোক্লি। নুপী ফাওবা য়াওনা পীক্লিবা চহী অহুমতা ঙায়রিবা অঙাং ফাওবা য়াওনা চৈনা পীরক্লি। হ্যুমেন রাইট হায়দুনা চোংশিন্নরিবা, লাউশিন্নরিবা কাঙবুসু, মচা-মশু কন্নবনি থোরক্লিবা মৈরা পায়বীশিংসু অসিগুম্বা তমথীরবা, ঈংনা জ্ঞান তানা হাৎলিবা মীহাৎপশিংবুদি খঙশিন উশিন্নদনা লৈরি। লাউ-খোংলিবা, চেন-চোংলিবা পূম্নমক নোংমৈনা লুখমদা নম্লগা লাউহনবা, চেলহনবা ঙাক্তা ওইনা উরক্লি। ফৎত্রবা লৌশিং তৌদুনা, নোংমৈ পায়বশিং শীজিন্নদুনা চীংদা-তমদা কাঙলুপকী ঈরাং থোক্লবা শীল্লি। খুদম ওইনা কুমজা ১৯৯৭ কী নবেম্বরগী তাং ২৮ দা কাঙলুপ মশেল মরক্তা করম্না তাইশিন্নগদগে হায়বগী খন্ন-নৈনবা মীয়ামগী মীফম কৌবা নুমিৎতা খূৎলায় পায়বশিংনা বন্দ কৌদুনা থুগায়নবা শীনখ্রিবসি অর্থ য়াম্না লৈবা ৱাফম অমা ওইরি। মখোয়না কাঙলুপকী ঈরাং নমথহনবা পামদে হায়বতা নত্তনা কাঙলুপকী ঈরাং থোকহন্নবা শীল্লিবা শক্তিবুতা মিহৌবা রাজনিতিৱালা খরগা লৌতুনবনি হায়বসু ময়েক শেংহল্লবনি। ঙসি ফাওবদা বিরোধি কাঙবুদগী লৈঙাকপু খুদোংথিহন্নবা দাবী নত্তনা অচুম্বা, পুকচেল শেংবা মানবা সজেসন অমত্তসু পুথোরকপসু লৈখিদ্রি। খ্বাইদগী পুকচেল শেংনা, অমকপা অমত্তা লৈতনা হোৎনরিবা সী: এম্মুসতা মরাল শীনবা হোৎনদুনা, মাবুতা ইন্থুনবা খনবনা মথৌ ওইদুনা লৈরি।

ঐখোয়না চাউথোক্লা হায়বা ঙস্মি, মণিপুরদা ইরাবত অমদি রিশাং কৈশিংগুম্না লৈবাক্কী অপূনবগী ৱাখল চেনবা, মশাগী ওইজবা থাদোকপা, পুকচেল শেংনা গনতন্ত্রিক ওইবা রাজনিতিৱালা কয়া লৈতে। নীংখা তমদ্রিঙৈদা মমিং তাখিবা লুচিংবা শ্রী লাইশ্রম যুগেশ্বর সিংহ এক্স এম পি, রিশাং কৈশিং অমসুং লাইশ্রম অচৌ মখোয় অহুম নত্তনা মমিং তাখিবা লুচিংবা অমত্তসু এসেমব্লি মনুং অমসুং মপান্দা কনাসু লৈতে। অদুবু হৌজিক্তি কদায় কদায়দগীনো নুমিৎ তাখ্রবদা লমহূয় ময়াম থোরক্তুনা খোং-লাউরবগুম লৈবাকসি পূম্লিল নিন্দুনতা লৈরে। নোংমতসু চীক্লা ঈংনা লৈবা ফংহন্দ্রে। চফু থুগায়নবা হোৎনবা ক্বাককুম্বা ঙাক্তনা লৈবাক অসে পীক থনখ্রে।"

পূম্নমকসি চহী য়াল্লবা শকখঙদবা খুড়াদুনা চিঠি ওইনা ইরগা খঙজরসনু হায়বগী ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা থম্বীরম্বনি। লৌখৎপা য়াবা খল্লগা পাউদমজবনি।

ঙসি ঙসিমকসু তৌরি মচী-মচী খুদিংদা ঈরাং। থৌদোক খুদিংদা, হীরম খুদিংদা অফ-ফত্ত য়েংনরক্ত্রে মীনুংশি অমত্তসু য়াওনরক্ত্রে। লৈবাক ঙাক্লিবগী মায়কৈদগী অমদি ঈহৌ ঙাইহাক লৈতনা হৌদুনতা লৈরিবা ঙাঙন-শানবা অমত্তা য়াদ্রবা অনীগী মরক্তা হা হাকার লাউদুনা অৱাবা মায়োক য়ারিবসি কনা কনানো? মী ওইনা করম্বা মওংদা হিংবা ঙমগদগে। মীপাইরবা মীয়ামদা তারিবা দষা অঙকপনি। মরকসিদসু নোংজু মতম ওইদ্রিঙৈসিদগী লেপ্তুনা নোং চুবদগী ঈচাওগী অৱাবসু মায়োক্ল রিবনি। মশীং থী'ঙমদনা মীশি মীনাসু য়াওরিবনি। মরকসিদা থক-খা অনীমক ৱাখল ইতা তানদনা মখল-মখলগী ষ্ট্রাইক, বন্দ, কর্ফিয়ু ... অমুকসু তোঙান তোঙানবা ইশু কয়াসু অসুম হাপকৎলক্লি। অসিগুম্বা কোক পুবা ঙম্লক্ত্রবা মতাংসিদা পুকচেল চাউরবা নোঙ্গাখ্রবা খুড়াগী চিঠি নৌনা থেংনরুবদা ৱাখলগী লংজিল অমা থোরকই। অসুম্না থোরকপা থৌদোক খুদিংদা অহল মতম ওইরকপা অফ-ফত্তদি মশক খঙজবা, ফোঙদোকফমদি খঙদবা অহল কোঙ্গায় পাঙ্গল থোকপা ঙমদনা নোঙ্গাখিবা মশীং য়াল্লমগনি। লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফংলবা অহল কয়া কয়াগী য়ূম খুদিংদা থিবা ঙম্লবদি ফোঙদোকপদি ঙমহৌদ্রবা লৈবাক্কা মরী লৈনবা অরোন অথুপ য়াওরবা 'লারৈ-লাথুপ' কয়া ফংবসু য়াগদবগুম পূক্লিংদা ফাওরকই।

ৱাখলশিংসিগা মরী লৈননা দিমোক্রেসিগী লৈবাক ঙাকলোন মখাদা হিংজরম্বা অহল অমনা ইথা থাজদনা লৈবাক্কীদমক্তা অৱাবা শরুক পুদুনা ফোঙদোকপীরম্বা পূক্লিংগী ৱারোলশিং অসি তাইবঙ কনা খঙদনা মাঙখিদৌবগী মহুত্তা পীকখ্রবা সনা লৈবাকসিগী মনুংদা মরৈবাক্কীদমক্তা ৱাজখিবা মীওই খরসু হিংজরম্মালে হায়বসি খঙহঞ্জনীংদুনা পাউদমজবনি। ফনা য়াম্বা চেনানি অদুবু খরদং খনগৎলগা ফোঙদোকচবনি। মরমদি মতম অসিদা থোক্লিবা ঈরাং কয়াদা পূক্লিংদা ইপেন্দ পেন্দবশিং অসে চাম্মদা মরিফুতরাদি লৈনরিবনি অদুনা অহলনা ইবিরম্লিবা অসি মীওই কয়াগী পূক্লিংদা ফাওরকপা, হায়নীংবা ৱা ঙাক ওইরম্বসু য়াই খন্না থমজবনি।

মরৈবাকপু নীংজবা, হৌরক্লিবা মচা মশু মরোল মরোলবু অফবা মীশক ওইহনজনীংবা, থোক্লিবা লৈবাক্কী অরানবা শোয়বদুদি উজবা, করিসুদি খূৎ থাবা ঙমজদ্রবা অহল অসিগী পূক্লিংদা ফাওরকপা ৱারোলশিংনা পীরকপা উদবা চৈনা অমনা তত্তনা নুংনাংহল্লি। অচুম্বনি, অফবনি খল্লুবসু লৌখৎফম থোক্ত্রবা অরানবা ওইরম্মী। অরানবনি হায়না থমখিবা অকাও-পরৈনখ্রবা কয়াসু অচুম্বা ওইরম্বা ওইথোক্তবা নত্তে। ফত্তবনি, অরানবনি খঙলবা থৌদোক থৌরম কয়াসু ফোঙদোকপা য়াদবনা ফুমদুনা থম্মোয়গী লৈরোন্নুংদা লৈরিবা কয়ানি ঙসিসু। হায়রিবা থোক্লিবা পূম্বসি মীওইবনা শেম্বনি। অদুবু শিবদি হেক য়াদবনা খাঙনরিবনি পূম্নমক। মসিগী ৱাখল অসিদনি অচুম্বা চৎপা পামজবা কাঙলুপ, হৌজিক্কী মীয়াম্নদি খ্বাইদগী অপঙবনি হায়নরিবা মীওই খরগী পুন্সিনা হামচৎ-হাম্বোইনা থম্মোয় শোক্লা ৱানা হিংনরিবা।

শকখঙদবনা নগুনবু খঙনা লোয়নজবা ফংহৌদ্রবা, থম্মোয়গী ঈহৌদি চান্নজবা খুড়া! নহাক্লা থম্মোয় শোক্লা ফোঙদোকপীরম্বা পাউজেলবু তাইবঙ মপুগী থৌজালনা নচাদা ফংহনবীদুনা করিসু খঙজদ্রবা, অচুম্বগী খোঙ্গুল লীজরিবা নচানা লৈবাক মীয়ামগী মফমদা খুড়াগী শেংলবা থম্মোয়দগী থোরকপা ৱাহৈগী লৈরাং লৈনম্মু থম্মোয় লকা খুদিংদা ঈনিল লাংহনবদা লাইওইখ্রবা নহাক্কী আত্মানা ঈংনা চীক্লা পোৎথাবা ফংবদো তাইবঙ মপুনা পীবিসনু, অদুগা লোয়ননা খুড়ানা শিন্নবিরম্বা শৈরেং মীয়ামদা শীন্নজগে।

'স্বরাজ'

স্বরাজ কৌবী লাইরেম্বী ! থাপ্লিঙৈদ নীংথীবা।
নঙনা লেঙশিল্লকপদৈ, কৈদ লোৎখ্রে শান্তিদি?
থাজনবনা কৈদনো, তৌবিমল খঙবনা কদোমদ?
অধিকারতবু তানবদা, দায়িত্ববুদি কাউথোক্লখ্রে।
ঐগীতবু খনবদা, মীগী খনবা শংনদ্রে,
নমথাক লৌনম মক্তনা, মীবু ঙম্বা তান্নখ্রে
চীন্দনা অমা ঙাঙলগা, খূৎনা অমা তৌনখ্রে।
অঙম তান্নবা লানফমদা, মীরৈহৎনা অচুমসা
মীনম শোরি মক্তনা, অচুম্ব শানা লৈপখরে
শেমগৎ শাগৎ তৌববু, য়ৈখাই-থিনগাইনবতা হোৎনখ্রে,
অকনবনা অচুম্বা শাখরে, লাউবা কনবনা খুল্লাকখ্রে।
হে স্বরাজ শকহেনবী! করিগী অদুক তমথীবা?
শান্তি কৌবী মহাক্কা, নঙগা করি তাথীনৈ?
হৌনবীরো মসিবু, তাইবঙ ওইবগী মহৌশা?
লাক্লরোইদ্রা শান্তিদো, স্বরাজ নঙনা লৈরিখৈ?
'স্বরাজ' নঙনা লৈরিখৈ
লাক্ললোইদ্রা শান্তিদো?